হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, মে ০৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৯শুবা মশীং

# কোর্টকী রিপোর্টিংদা খুরৌ

## অচুম্বা ৱাফমশিং মীয়ামদা খঙহনবা য়াদব্রা

দেমোক্রেসিগী লৈঙাক্লোন চৎলিবা লৈবাকসিদা লিংলিবা ৱায়েলশঙ পূম্নমক মীয়ামগীনি। খ্বাইদগী ৱাংলবা লোগী লাইশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদগীনা মণিপুরগী কন্টেক্সতা হায়রগসু জুদিসল মেজিস্ত্রেট ফর্স্ট ক্লাস (জে এম এফ সী) অমসুং এগজিক্যুটিভ মেজিস্ত্রেট অমা ফাওবগী থাক্তা লৈবা লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোশিংগী মতুংইন্না ৱায়েল চত্থনবগী পৱার পীরিবা পূম্নমক্কী কা (কোর্ট রুম) ফাওবা লৈবাক মীয়ামগীনি হায়বদা চুপ্লোইদবা লৈব্রা? মরমদি লো কোর্টশিংনা চত্থরিবা ৱায়েল পূম্নমক্কী য়ূম্ফম ওইরিবা লোশিং অসি লৈবাক মীয়ামগীদমক শেমদুনা থম্বা ঙাক্তনি। লোশিং অসি মীপূম তিংনা খঙগদবনি, খঙফমসু থোকই। থৌওইনা লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোশিংসি মীয়ামদা খঙহন্নবগীদমক নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী মীৎয়েং মখাদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ অমনা এগজিক্যুটিভ চ্যেরমেন ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা) না ষ্টেটসিগী চীং-তম খাক্তনা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লিবনি। ষ্টেটসিগী মীয়ামগা হকথেংননা মরী লৈনরে লৌবা অকক্লবা লো খরগী মতাংদা ফাওবা মচা খায়না ইরগা নমথোক্তুনা মীয়ামদা য়েল্লিবনি। লোগা মরী লৈনবা পেন্টিং কম্পিটিসন অমসুং এসে রাইটিং কম্পিটিসন ফাওবা পাঙথোক্তুনা চাংদম্নহল্লগা মকোক-মথং তারকপশিং ফাওবা খনগৎলগা মনা-মথুম পীরিবনি। মসিগী মথক্তা মফম কয়াদা লিগেল এইদ ক্লিনিকশিং হাংদোকই। মসিগীদমক পেরা লিগেল ভলুন্টিয়র (পি এল ভি) নচিংবা হাপ্লিবনি। হায়বদি লৈবাকসিদা অসিগুম্বা মখলগী লোশিং মীয়ামগীদমক লৈরি হায়বসি লোশিং অদুগী মশক তাকপগা লোয়নন্না খঙহন্নবা হোৎনরিবনি। খুদম ওইনা পল্লবদা মসলসানা লন্নাই ক্লব, ওর্গনাইজেসন অমদি এসোসিএসনশিংগা খূৎশম্নদুনা চত্থরক্লিবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রামশিংদা মণিপুরগা কন্সর্ন ওইরিবা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট (নফসা), প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স এক্ট, ২০১২, ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেন (সী এ দব্লিয়ু), দোমেষ্টিক ভাইওলেন্স অমদি মোব জষ্টিসনচিংবগী মতাংদা এক্সপার্টশিংনা রিছোর্স পর্সনশিং ওইদুনা ৱা ঙাঙলিবনি। মসিদা মণিপুর জুদিসল সর্ভিসকী গ্রেদ পূম্নমক্তা লৈরিবা ওফিসরশিং ফাওবা শরুক য়াশিন্দুনা ৱা ঙাঙলিবনি। মসি পূম্নমক জেনরেল পব্লিক্তা লিগেল এৱ্যেরনেস লৈহন্নবনি। হায়রিবসি লৈহনবা ঙম্লবদি পিকচরবসু ষ্টেটসিদা থোক্লিবা ক্রাইমশিং, মীনা মীদা চৎফম থোক্তবা লিচৎশিং, থোকহন্দবসু য়াবা তাহে-উহৈদবা থৌদোকশিং অসি চপ-চানা অমত্তা থোরকহন্দবমক ঙমদ্রবসু মসিগী চাং খরমখৈদি হন্থহল্লক্কদৌরিবনি। মসিগীদমক মসলসানা মপূং ওইবা থৌদাং লৌদুনা লিগেল এৱ্যেরনেসশিং মতম অমসুং শেল চঙনা পাঙথোক্লিবনি।

মসিগী মথক্তা হৌজিক্কী হোংলক্লিবা গ্লোবেলাইজেসনগী ফীভম, মালেম পূম্বা মফম অমদগী হেক্তা খূৎশা মঙানা ইন্টরনেটকী মতেংদগী খুদক্তা পাউ ফাওনবা, উনবা ঙম্লবা ফীভমসি লাকপদগী প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক অমদি সোসল মীদিয়াগী থৌদাংসু নোংম-নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি। মতম অমদদি কোর্টশিংগী মশীং অমসুং মখলসু য়াম্লমদবগী মথক্তা ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্ট নৎত্রগা ফেমিলি কোর্টনচিংবশিং ফাউবা লৈরমদ্রিবনি। ইশম শম্বদা মণিপুরগী তোঙানবা হায় কোর্ট লৈজরকপা ফাওবদা কুইদ্রিবনি। মীশিং য়ামদবগী হৌনবা ক্রাইম অমসুং সিভিল কেসশিংগী মশীংসু ঙসিগী অসুম্মাইনা য়াম্লমদে। থোকহন্নীংদবা অমসুং য়েংহৈদবনি হায়বা থৌদোকশিং ফাওবা থোক্লবসু য়াম্না তাঙনা থোক্লম্মী। নাকল অমরোমদনা ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদসু হৌজিক্লা প্রশার ভারত্তি হায়রবা অসিখক্তং লৈরম্মী। প্রিন্ট মীদিয়াগী ওইনসু ঙসি লৈরিবা ষ্টেন্দর্দ অসিগী মঙ ফাওবা মঙলম্বা নত্তে। লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মতমদদি চেফোঙ ফাওবা খূৎনা ইরগা ফোঙলল্লিবনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়া হাওসশিংনা ত্রাইয়েল কোর্ট অমদা লো-এনফোর্সিং এজেন্সি অমনা থৌদোক অমগী মতাংদা লৌখৎপা কেস, কেসতুগী মতাংদা এক্যুইজনি হায়দুনা ফাগৎপা মীওই, মঙোন্দগী কেস অদুগা মরী লৈননা শিজ তৌবা পোৎলমশিং য়াওনা কেস অদু রেজিষ্টর তৌবা পুংফমদুদগী পারগা অকক্লবা পুংফম অমগী মনুংদা মেজিষ্ট্রিএল পৱার লৈবা কোর্ট অমদা তঙাইফদনা পুথোক্তবা য়াদবনিনা পুথোরকপা, নেচর ওফ কেসতুগী মতুংইন্না মখোয়গী কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকপা নৎত্রগা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরকপগী থবকশিং অসিগী মতাংদা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়ানা কভরেজ পীবা য়াদব্রা? মীয়ামগী ৱায়েলশঙ/ৱাকৎফম ওইরিবা কোর্ট য়ৌরক্লগদি লো এনফোর্সিং এজেন্সি অদুগী থবক-থৌরম পূম্নমক্তু 'ওপন টু পব্লিক' ওইফম থোক্তব্রা? মশ্বাইসিদা অকক্লবা কেসতুগী কমপ্লেনেন্টকী মমিং ফোঙদোকই, মখোয়গী কষ্টদিগী রিমান্দ প্রেয়র নৎত্রগা জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়রনচিংবা ফোঙদোকই হায়দুনা মীদিয়াদা খুরৌ থাংহনফম থোকপ্রা? চুম্মী, কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসন অদু হৌবদা ঙাইরিবা, ইনিসিএল ষ্টেজদা লৈরিবা, এক্যুইজ ১/২ ফারগসু ম্যেন নৎত্রগা কো-এক্যুইজশিং ফাগদবা ৱাৎলিবা, কেস অদুগা মরী লৈননা এগজিবিট ওইরক্কদবা পোৎলমশিং রিকোভর/শীজ তৌগদবা ৱাৎলিবা ওইরগদি লো এনফোর্সিং এজেন্সি অদুনা কোর্টতা তৌরকপা মখোয়গী কষ্টদিগী প্রেয়র নৎত্রগা জুদিসল রিমান্দগী প্রেয়র অদু 'ইন-টোটো' দা শিৎ-নান্না ফোঙদোকপদি অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। ইনভেষ্টিগেসনগী থবক্তুদা হেম্পর-টেম্পর তৌবা থোক্কনি। তৌফম থোক্তে, তৌসু তৌরোইদবনি। অদুবু রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলবা কেসশিংসিদি হৌজিক লো এনফোর্সিং এজেন্সি পূম্নমক্কী মাগী মাগী ষ্টেসন/য়ুনিট/ব্রাঞ্চশিংনা মখোয়গী ৱেভসাইটতা ফাওবা পন্থদনা অপলোদ তৌনদুনা থম্নরবা, সুপ্রিম কোর্টনা মসি তৌননবা দিরেক্সন ফাওবা পীরগা প্রিন্ট অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়ানা কেস অমগী কমপ্লেনেন্টকী মমিং ফোঙদোকই, মসিদি তৌফম থোক্তেগা হায়বা ৱাফমসিবু মসিগী মরুমদা করি লৈবদগী হায়রকপা ওইরমগদগে? হায়বা তারগনা লো-এনফোর্সিং এজেন্সি অদুগী মায়কৈদগী করম্বা থাক্তা লৈবা ওফিসলনা হায়গদবনো নৎত্রগা লৈঙাক্লা হায়ফম থোকপ্রা নৎত্রগনা মরী লৈনরিবা ৱায়েলশঙ অদুনা ওইনা হায়রকফম থোকপ্রা হায়বসিসু হংফম থোকহল্লকই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৭

১) "মণিপুরী লোকসাহিত্য" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

২) "পুনুং ঈশম ফোয়না/চামলৌ লাচেন্নরুসি হায়রবদা/হাইনু তেরা লৌথিবী/শাইগং পোলিবী য়েন্নখাপাউতাবীনা/খোয়নৌ ইতা ও/খোইনাইওম্বা চনু ও/থোংনাং ময়াং চীং,/ময়াং কপনীং চীং,/লিন্দু য়াঙতেক চীং,/কৈরাউ খাদা পানবা/চামলৌ লাবু কদৌনশিগে?" শৈরেং মতেক অসি করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৩) "নোংখোঙ তম্না" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) "হল্লকখিগনি অমুক তোর্ব্বানসিদা" হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবা করিদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৫) "ইমানা শিরমদাইদা/শিন্নরম্বা বোম অমা/শেন্নরি ঐনা কন্না/কনা খঙদনবা,/কনা উদনবা।" শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মে ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# থক্কবা ঈশিং ফংহন্নবগী অনৌবা পাম্বৈশিং - ১

## ঙাগী মতৌ তম্লগা ঈশিংবু শেংদোকপা

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম


মালেমগী লৈমায়সি ঈশিংনা শরুক অহুম থোকপগী অনী কুপশিল্লবসু থক-চাবদা শীজিন্নগদবা ঈশিং (ফ্রেশ ৱাটর) গী চাংদি অসুক্কী মতিক নেম্মী, ২.৬% খক্তমক থক-চাবদা শীজিন্নবা য়াই। থক-চাবা য়াবা ঈশিংগী ৭০%দি উন ওইনা লৈখ্রে, অদুগা লেমহৌরিবা ৩০%দুগী মনুংদা অয়াম্বা ঈশিংসু মোৎলবা, মহিক-মতাই চেল্লবা অমসুং হু ওইবা কেমিকেলশিং য়াম্না য়াওরিবনি। ঙসি ঐখোয়না থক্করিবা বোটলদা হাল্লিবা ঈশিংদা মহিক্তি য়াওরমদবা য়াই অদুবু হু চেনবা কেমিকেলশিংদি শোয়দনা য়াওরমগনি। মরমদি মসিগী মতিক চারবা ত্রিটমেন্ট কনানসু তৌনবা নত্তে। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মতুংইন্নসু, মালেমদা লৈরিবা মী অহুমগী মনুংদা অমদি শাফবা ঈশিং থকপা ফংদে হায়রি। অদুনা শেল ইচং চঙদনা হু চেনবা কেমিকেলশিংবু লৌথোকপগা লোয়ননা মহিকশিংবুসু হাৎপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইরক্লি।

পফরফিশ হায়বসি অতোপ্পা জীব অমনা মঙোন্দা কিহল্লকপা মতমদা, ঈশিং চিংশিল্লগা মশাবু চাওথোকহনবা অদুগা খুদোংথীবা লৈত্রে খঙলকপা মতমদা ঈশিংদু ওথোরকপা ঙা মখল অমনি। ঙাসিগী মতৌ তম্লগা, প্রিন্সতন য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন-লূপ অমনা, ঈংলকপা মতমদা ঈশিং চূপশিনবা অদুগা নুংশাগী মৈশানা শাগৎহনবা মতমদা মহিক-মতাইশিং, কেমিকেলশিংবু চূপশিন্দুনা থমহৌরগা অশেংবা ঈশিং থাদোরকপা, স্পোঞ্জগা মান্নবা খূৎলায় অমা শেমগৎপা ঙম্লে হায়না 'এদভান্সদ মেটরিএলস' না পাউদম্লক্লি। খূৎলায়সিগী মতেংনা অর্সেনিক্কুম্বা অরুম্বা ধাতুশিং, পেট্রোলিয়মগী পোত্থোকশিং, তীল-হীদাকশিং অমসুং মহিকশিংবু ঈশিংদগী লৌথোকহৌরগা, মালেমদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্তা অশেংবা ঈশিং ফংহনবা ঙম্লগনি।

খূৎলায় অসিগী ময়ায়দা জেল মখল অমা য়াওরি। জেল অসিনা পেট্রোলিয়ম অমসুং অতোপ্পা থাউশিং, মিশিগুম্বা হু চেনবা অরুম্বা ধাতুশিং, অপিকপা মোলিক্যুলশিং অমসুং য়িষ্টকুম্বা পেথোজেনশিংনা মোৎহল্লবা ঈশিংবু শেংদোকপা ঙম্মী। জেল অসিবু ঈশিং শেংদোকপগী থবক্তা শীজিন্নবসি য়ামদ্রবদা অমুক চোৎহনবা অমসুং অমুক কংহনবগী সাইকল তরাদগী তাদনা তৌবদা মাগী মগুন্দা অহোংবা লৈতবসু থিজিন-লূপ অসিনা থেংনখি। মসিনা তাক্লিবদি জেল অসি হন্না-হন্না শীজিন্নবা য়াই হায়বনি। অসিগুম্বা খূৎলায় অসিবু ঐখোয়গী পুন্সি মহিংদা শীজিন্নবা য়াই হায়বসি য়েংনবগীদমক প্রিন্সতন য়ুনিভর্সিটিগী পোষ্টদোক্টরেল রিসর্চ্চ ফেল্লো ওইরিবী Dr. Xiaohui Xu প্রিন্সতন য়ুনিভর্সিটিদা লৈরিবা পাৎ কারনেগিদা থমদুনা চাং য়েংখি। মহাক্লা জেলদুবু পাৎতুগী সেন্টিগ্রেদ দিগ্রী ২৫গী চাংদা ঈংবা ঈশিংদা থমখি। পাৎ অসিগী ঈশিং অসি পেথোজেনশিংনা মোৎহল্লবা ঈশিংনি, অদুনা হকথেংননা থকপদা অমাঙবা ওই। ঈশিংদুদা পুং অমা লুপশিল্লবা মতুংদা, ঈশিংনা মবুক থল্লবা জেলদু লৌথোক্লগা পাত্র অমদা হাপ্লগা নুংশাদা থল্লম্মী। জেলদুনা শাগৎলকপা মতমদা, পুং অমমুক্কী মনুংদা জেলদুদগী অশেংবা ঈশিংদু চেম্থোরকখি।



জেল য়াওরবা খুৎলাই অদুবু ঈশিংদা থাদদুনা থল্লগা ঈশিং চুপশিনহনবগী শক্তম




a) পফরফিশনা ঈশিং চিংশিনবা অমসুং থাদোরকপা
b) জেল য়াওরবা খুৎলাইনা ঈশিং শেংদোকপা

হৌজিক ফাওবদা নুংশা মঙাল শীজিন্নরগা ঈশিং শেংদোকপগী লৈরিবা পাম্বৈশিংদগী, মখোয়গী পাম্বৈ অসিনা য়াম্না হেন্না থুনা ঈশিং শেংদোকপা ঙম্মী হায়রি। অতৈ পাম্বৈশিংদুদদি ঈশিংবু মনিল কাহল্লগা মনিলদুবু অমুক হন্না ঈশিংদা ওন্থোকপনিনা মতম কুইনা চঙই। মসি নত্তবা অতোপ্পা পাম্বৈশিংদনা, ঈশিংদুবু মেম্ব্রেন অমা ফাওদুনা চৎহনবনিনা ইলেক্ট্রিসিটিগী মথৌ তাই। হৌজিক ঐখোয়না য়ূমদা শীজিন্নরিবা ফিলটরশিংদনা ফিলটরশিংদু তোয়না শিনে দাকপগী মথৌ তাই। অদুবু জেল শীজিন্নরিবা খূৎলায় অসিদি শাবগী চাং খেন্নবগী মতুংইন্না জেলনা মথৌ তৌই। রুম টেম্পরেচরদা, জেল অসিনা স্পোঞ্জ অমগুম্না মথৌ তৌই অদুগা ঈশিংবু চূপশিল্লি। সেন্টিগ্রেদ দিগ্রী ৩৩দা শাহনবা মতমদা, জেলদুনা ওন্ন-তৈনবা মথৌ তৌরকই হায়বদি ঈশিংদু জেলদুগী অপিকপা মখুলশিং ফাওরগা চেম্থোরকই।

জেল অসিদা হয়িংখোইগী খোইরাগী মওং মানবা, অপিকপা মখুল ময়াম য়াওই। খোইরাসিদা poly (N-isopropylacrylamide) হায়না খঙনবা মোলিক্যুলশিংগী শাংলবা চেইনশিং য়াওই অদুগা চেইনশিংসিনা অমগা অমগা কাতু-কারন শমজিন্নদুনা জালিগী মওং মানবা শক্তম অমা শেম্মী। জালিসিগী মনুংদা, মফম খরদা হায়দ্রোফিলিক ওইবা মফমশিংদা লায়না চেনশিল্লকই। নুংশা মঙালনা মসিবু শাহল্লকপা মতমদা হায়দ্রোফোরিক চেইনশিংদু অমগা অমগা পুনশিন্নরকই অদুগা ঈশিংদুবু জেলদুদগী চেম্থোকহল্লকই।

জেল অসি ঈশিংবু মোৎহল্লিবশিংনা জেলগী মনুংদা চঙহনখিদবা ঙম্বা অতোপ্পা লেয়র অনীগী মরক্তা থম্মী। ময়ায়থংবা লেয়রসি নুংশা মঙালবু মৈশাদা ওন্থোকপা ঙম্বা পোলিদোপমিন (পি দি এ) কৌবা অমুবা পোৎশক অমনি অদুগা মসিনা অরুম্বা ধাতুশিং অমসুং ওর্গানিক মোলিক্যুলশিংবু ফাজিন্দুনা থম্মী। মসি নুংশা মঙালবু ফজনা চূপশিনবা ঙম্বা মেলানিন্দা য়ূম্ফম ওইবা পোলিমরনি। মসিদা য়াওরিবা অমিনো গ্রুপ অমসুং এরোমেটিক রিংশিংনা অরুম্বা ধাতুশিংবু আইওনশিং ওইনা অমসুং ওর্গানিক মোলিক্যুলশিংবু কিলেসন অমসুং হায়দ্রোজেন বোন্দিংগী মতেংনা লৌথোকখি। মনুং ইথং থংবা লেয়রসিনা সোদিয়ম অলজিনেটকী ফিলতর তৌনবা লেয়রনি; মসিনা পেথোজেনশিং অমসুং অতোপ্পা মেটরিএলশিংনা জেল মনুংদা চঙখিববু থিংই।

নুংশা মঙালনা চলাইবা খূৎলায়সি অমোৎপা ঈশিংদা থাদদুনা থম্বা মতমদা মনুং থংবা জেলদুনা সোলটশিং, ওর্গানিক মোলিক্যুলশিং, থাউশিং অমসুং পেথোজেনশিংবু ইন্থোরক্লগা, অশেংবা ঈশিংখক্তমক চূপশিনখি। মসিবু অমুক নুংশা মঙালদা থম্বা মতমদা পি দি এনা চূপশিল্লকপা নুংশা মঙালদুনা জেলদুবু দরকার ওইরিবা মৈশা (চাওরাক্লা সেন্টিগ্রেদ দিগ্রী ৩৪) গী চাং য়ৌনা শাগৎহল্লি। মতমসিদা চাওথোক্তুনা লৈরম্বা হায়দ্রোফিলিক্কী ফীভমদু হায়দ্রোফোবিক্কী ফীভমদা ওন্থোরকই অদুগা ঈশিংদুবু মপানলোমদা ইন্থোরকই। অসুম্না ঈশিংবু অরাইবা মওংদা শেংদোকই অসুম্না ঈশিং শেংদোকপা অসিদা ইলেক্ট্রিসিটিগী মথৌ তাদে, অদুগা খূৎলায়সি শাবদসু শেল ইচঙ চঙদে। অদুনা পাম্বৈ অসি পাক-শন্না মীয়ামদা থক-চাবা য়ারবা ঈশিং ফংহনবদা য়াম্না কান্নগনি হায়রি। ●

# কুমজা ২০২০গী টোকিও ওলিম্পিক য়ৈথোকপা - ২

- লৈশাংথেম অজিৎ -

কুমজা ১৯৬৪গী ওক্টোবর ১০গী নুমিৎয়ুংবা মতুংদা জপানগী কোনুং টোকিওদা ১৭শুবা ওলিম্পিক গেমস হৌদোকপগী কুম্মৈ য়েংবা মফম চানা-চানা ফম্নরম্মী। নুংথিল পুং ১ হেক তাবগা ষ্টেদিয়মগী থোঙজাও রোমদগী বেন্দ খোঙবা কাঙবু বেন্দ খোঙদুনা ওলিম্পিক্কী মৈরা চুখৎপদা কাখৎনবা শেল্লিবা থাক-থাক অদুগী মখোঙ ফাওবা চঙশিল্লক্তুনা পরেং শানা লেপ্পলম্মী, বেন্দগী খোঞ্জেল অদুনা ষ্টেদিয়ম অদু পুমনিল নিল্লম্মী। মতুং তারকপদা নোংমৈ অচৌবগী মখোল হৌনা হৌনা কাপ্লকপগা লোয়ননা ষ্টেদিয়মগী মথক্তা কোয়না য়ুংলিবা ফিরাল চৈখোকশিং অদুদা গেমস অদুদা শরুক য়ারিবা লৈবাক ৯৫গী ফিরাল মতম চানা চপ মান্ননা চিংখৎখি। ষ্টেদিয়ম অদু তূমিন্না মীকূপ খরা লৈরবা মতুংদা জপানগী নিংথৌরেল হিরোহিতো ষ্টেদিয়ম য়ৌরকখি।

মহাকপু ইলেক্ট্রিক্কী খোঞ্জেলদা ঈশৈ খোঙদুনা ওকখি। মথংদা জপানগী নেসনল এন্থেম ওকেষ্ট্রানা শকখি। নিংথৌরেল অসিনা নিংথৌগী ফম্ফম 'রোয়েল বোক্স' তগী লেপ্পগা মীয়ামদা মকোক নোন্দুনা খুরুম্বদা মীয়াম্না হরাও তয়াম্না মহাকপু ওকখি। মহাক্লা মহাক্কী ফম্ফম হেক লৌখিবগী গ্রিস লৈবাক্কী টিম্না মমাঙ থাদুনা টিমশিং অদু মথং মনাও নাইনা পরেং শানা ষ্টেদিয়মগী লমজেল চেনফম ত্রেক্কী অকোয়বা অদুদা চঙলক্তুনা মার্চ পাষ্ট চৎলকপদা হিরোহিতোগী মমাঙ য়ৌরকপদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিং অদুগী টিমনা ফিরাল হাইথদুনা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎখি। মতুংদা ষ্টেদিয়মগী ময়ায়দা চঙলক্তুনা নিংথৌরেলদা মমায় ওনশিন্দুনা টিমশিং অদুনা মখোয় মখোয়গী ফিরাল পাইরিবশিং অদুগী মতুংদা লেপ্তুনা লৈখিবগা কুমজা ১৯৩৬তা বর্লিন্দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্তা পিয়র-দি-কোবর্তিনগী রেকোর্দ তৌহৌবা 'স্পিস' ৱারোলশিং অদু মীয়ামদা তাহনখি। মহাক বর্লিন ওলিম্পিক্তসু লাকখিদে। ৱা ঙাঙখিবগী রেকোর্দ অসি বর্লিন ওলিম্পিক্তসু থাদোকখি। পিয়র-দি-কোবর্তিন ওলিম্পিক গেমস অমুক হিংগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা নুপানি।

মতম অসিদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা অভেরী ব্রুন্দেজনা ৱাহৈ খরা ঙাঙলবা মতুংদা জপানগী নিংথৌরেলনা মীয়ামদা নোল্লুকপগা লোয়ননা ফজবা ৱাহৈ খরা হায়রবা মতুংদা ওলিম্পিক অদু হৌরে হায়না লাউথোকখিবগা হান্না শেম শাদুনা লৈবা নুপা অমনা ফিরাল অদু চিংখৎখি, নোংমৈ অচৌবা তোপ হৌনা হৌনা কাপখি। হৌখিবা কুমজা ১৯৬০দা রোমদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক্কী ফিরাল মেয়রনা পুরক্তুনা শিন্নখি, ফিরাল অদু কুমজা ১৯২০দা বেলজিয়মগী Antwerp সহরদা পাঙথোকখিবা ৭শুবা ওলিম্পিক্তা ইহান হান্না শীজিন্নখিবনি। বোল অকাম্বী বেলুন লিশীং তরানিথোই নোংথক্তা থাগৎখি। বেলুনশিং অদু তপ্না তপ্না সমুদ্ররোমদা (Bay of Tokyo) পাইখি। তিল্লিবা মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরম্লবা গ্রিসকী ওলিম্পিয়াদগী পুরকপা ওলিম্পিক্কী মৈরা অদু পুদুনা চহী ১৯শুরবা ৱাসেদা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় য়োসিনোরি সাকায়না ষ্টেদিয়মদা চেনশিল্লকপদা তিল্লিবা মীয়াম অদুনা মহাকপু লাও খোংদুনা ওক্লম্মী।

সোশিনোরী সকয়াবু মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইরিবদি, মহাক অসি হিরোসিমাগী মিওসি কৌবা মফমদা কুমজা ১৯৪৫গী ওগষ্ট ৬তা সহর অসিদা এটোম বোম থাদখিবা নুমিত্তা পোকখিবনি। মহাক্লা ষ্টেদিয়ম অদুগী অকোয়বদা য়েক্লিবা লমজেল চেনফম (ত্রেক) অদুদা চেল্লবা মতুংদা মৈরা অদু পুদুনা থাক থাক মথং মথং কাখৎখিদুনা অচৌবা মৈ কম্বী অদুদা চঙশিনখিদুনা মনাক্তা লেপ্তুনা মখূৎ য়েৎ অদুনা মৈরা অদু ৱাংনা থাঙ্গৎতুনা ঙাইহাক্তং লেপ্লগা মৈ কম্বী অদুদা ওলিম্পিক্কী মৈরা চুখৎখি। জপান মচাশিংনা হিরোসিমাগী থৌদোক অদু অমুক হন্না নীংশিংলকখি। মখোয়গী মরক্তা মপি তাদুনা কপখিবা জপানগী ভাবকশিংনা অয়াম্বনি।

মহাক্লা মৈরা পুদুনা চেল্লিঙৈদা ষ্টেদিয়ম মনুংদা Chryasanthemum গী মনম চাইদুনা মসিগী নুংশিবা মনমনা পূক্লিং শুমহৎহনখি। মহাক ৱাসেদা য়ুনিভর্সিটিগী রন্নিং ক্লবকী মেম্বরনি। মহাক টোকিও ওলিম্পিক অসিগী মিটর ৪০০গী লমজেল য়াওনবা হোৎনবদা অফবা লমজেল্লোয়শিংগী মরক্তা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমখিদে। চহী অনী লৈরগা কুমজা ১৯৬৬কী বেঙ্কোক এসিয়ান গেমসতা মিটর ৪০০গী লমজেলদা অনীশুবা তাদুনা লুপাগী মেদল অমা ফংখি। মহাকপু লমজেল অদুদা মায়থীবা পীখিবদি ইন্দিয়াগী অজমের সিংহনি। অজমের সিংহনা লমজেল অদু সেকেন্দ ৪৭.১দা চেনখিবা মতমদা য়োসিনোরি সাকায়না সেকেন্দ ৪৭.৪দা চেনখিবনি। অদুবু গেমস অসিদা মহাক্লা শরুক য়াখিবা (মিটর) ৪ x ৪০০গী লমজেলদা মকোক ওইখি। মলেসিয়ানা অনীশুবা, সিঙ্গাপুরনা অহুমশুবা, ইন্দিয়ানা মরিশুবা তাখি। মহাক কুমজা ২০১৪গী সেপ্টেম্বর ১০দা থোপ্তা ঈ থোক্তুনা (সেরেব্রেল ব্লিদিং) দা লৈখিদে।

মমাঙদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতগী খ্বাইদগী ফজবা গেমসনি হায়না মালেম পূম্বা টোকিও গেমস অসিবু থাগৎখি। লৈবাক অসিদা গেমস অসি অসুক্কী মতিক মায় পাক্লবা হোৎনখি। মসিগীদমক ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা টোকিও মেত্রিপোলিটান গভর্ণমেন্টতা 'ওলিম্পিক কপ' খূৎশিন্নখি।

চহী মঙারোম থাক অসি য়ৌরক্লবা হোৎনবদা থৱায় য়াওখিবগীদমক জপান ওলিম্পিক কম্মিটিদা কাউন্ট জেনোকোসা ত্রোফি পীখি। লৈবাক অসিগী য়ূম শাবা (Architect) তেনজো কাঙ্গাদা দিপ্লোমা ওফ মেরিট পীদুনা ইকায়খুম্নখি। মহাক্কী শিংথানীংঙাই ওইখিবা থবক্তি মহাক্লা শাখিবা অনৌবা মওংগী ওলিম্পিক্কী স্বিমিং পুল অমসুং বাস্কেটবোল শান্নফম য়াওবা নেসনল জিম্নাজিয়ম অদুনি। গেমস অসিদা জুদো, নুপীগী ভোল্লিবোল, নুপীগী পেন্তাথলোন অনৌবা থৌরম ওইনা হাপচিনখি। সিন্দর ত্রেক্তা লমজেল চেনবা অরোইবা ওইখি। ●